# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-02-2026)**

**মীফম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-কাংলুপ অমত্তগী আশা কায়হল্লোই, মীয়ামনা পুকিং ফাথনা হিংশা থাদোক্লগা সংবিধান অমসুং আইন ঙাকা চৎমীন্নসি।

মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা মন্ত্রিশিং অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি তংদু লৈতাদবগী থৌওং অসি কোকহন্নবা দরকার লৈবা ৱারেপশিং লৌননবা কুপা খন্ন-নৈনখি।

মীফম লোইরবা তুংদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-চরাংনবা ফিভমশিং অসি লাকশিন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং শোয়দনা পায়খৎকনি। মীনুংশি অমসুং থৌজালগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা হেন্না নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা শেমবা হোৎনমীন্নসি। কনাগুম্বা অমত্তবু মরম চাদনা অৱাবা তাহন্দনবা মহাক্কী সরকারনা দরকার লৈবা থবক খুদিংমক পায়খৎকনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবা লেপত্রি।

রাজ্যগী পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টকী জেনিমস হোস্পিতালগী মেন গেট মনাক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী লিলোং আলিয়া লমখাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং এ-স্তার কার অমদগী ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম অমা মখায়রোম ফাগৎলে। পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা মীওই অদুসু ফারে হায়রি। উখ্রুল জিলাগী

সিহাই চীংশাংদা লম একর ৮০ রোম চাউবা মফমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

সেনাপতি জিলাগী লাখামাই চীংদা লম একর অহুমলোম চাউবা মফমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিংসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

**মীতৈ (এল)ঃ** ঐচ.এস. বেনজামিন মাতেনা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবা অমদি কাংলুপ মশেলগী মরক্তা হেন্না নুংশিনদনবা তৌরিবা থৌওংশিং অমদি সু তৌনরিবা লালহৌলুপশিংগা মরী লৈনবগী মায়োক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর. অহুম অমসুং হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর. অমা থাংগৎখ্রে।

দা মীতৈ এল্লাইয়েন্সকী চেরোল অমদা হায়-বেনজামিন মাতেগী কা হেনবা থৌওংশিং অসি অথুবা মতমদা লাকশিনদুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎনবা মরী লৈনবা ওথোরিতিনা হোৎনফম থোকই।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** নেসনেল ইর্ন্টিলিজেন্স গ্রীফ (নেটগ্রীত) কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা মনিপুর পুলিস হেদক্বাটরসতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

পুলিস ওফিসারশিংনা নেটগ্রীটতা য়াওরিবা ফিচরশিং নীংথিনা শিজিন্নবা হৈনবা অমসুং অরোন অথুপকী পাউ লৌবগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। ত্রেন্নিং অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুলিস ওফিসার ১৫০ রোমনা হকথেংননা অমসুং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

**খোই (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী লংগৈদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ বি-কিপ্পিং দিবলপমেন্ট সেন্টরদা নুমিৎ নিনি চথ্থগদবা খোই য়োকপগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

ফারমরস ৱেলফিয়ার নেসনেল বি-বোর্ডকী মখাদা প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কমিতি-সঞ্জেনবমনা শিনদুনা পাঙথোকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ডকী ভাইস চেয়ারমেন-ৱাহেংবম দিনেসচন্দ্রনা হায়-মনিপুরগী অইং আশাগী ফিভম অসি খোই য়োকপদা খ্বাইদগী চান্নবা ফিভম অমনি। ফিভম অসি য়েংলগা নেসনেল বি-বোর্ডনা খোহি য়ামা পুথোকবগী পান্দমদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোর্ড ইম্ফালদা স্কিম অমা পীরক্তুনা ইন্টিগ্রেটেদ বি-কিপ্পর দিবলপমেন্ট সেন্টর লিংখৎখিবনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** দিজিটেল অমসুং ফিন্টেক ইকো সিষ্টেমদা নুপীশিংবু হেন্না শরুক য়াহন্নবা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

ভুবনেশ্বরদা ঙরাং পাঙথোকপা ব্লেক স্বান সমিটতা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মতমগী হোংলক্লিবা অনৌবা টেকিলোজিশিং শিজিন্নবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈ। রাস্ত্রপতিনা হায়-ভারতকী ফিন্টেককী খোঙচৎ অসি অনৌবা পোৎলমশিং পুথোকপা খক্কী নত্তে। শরুক য়াহন্দুনা নুপা-নুপী থোং মান্ননবগী ইহৌ অমনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী কোলারামপুর খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অনৱার ইব্রাহিমনা বার্তন তৌরকপগী মহাক লৈবাক অদুদা চৎকদবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি (ইষ্ট) পি. কুমারননা পাউমীশিংদা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী কুলালম্পুর খোঙচৎ অসি হন্দক্কী

অসিনা অহুম্লক শুবনি।

অমরোমদা, পধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ১০ শুবা ভারত-মালেসিয়া সি.ই.ও ফোরমগী মীফমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালেমসিয়াগী মরুওইবা কম্পনিশিংগী সি.ই.ওশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

**অগাঃ** উরিষ্যাগী চন্দরপুরদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জতগী অগা থ্রি ইন্টরমেদিয়েট রেঞ্জ বেলিষ্টিক মীসাইল ঙরাং মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে।

মীসাইল অদু নীংথিনা শেম শারবা মতুংদা ষ্ট্রেটেজিক ফোর্সেস কম্মান্দগী মখাদা রুটিন ত্রেন্নিং এক্সরসাইজ ওইনা চাংয়েং তৌখিবনি। ঙাকশেলগী পাউনা হায়-মীসাইল অদুনা মাংজোননা থমখিবা টার্গেটতা চপ চানা পানবা ঙমখি। দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শাবা আগা থ্রি মীসাইল অসিনা কিলোমিটর লিশিং অহুম লাপা লৈবা টার্গেট অমদা লায়না পালহনবা ঙম্মী। মীসাইল অসিনা ন্যুক্লিয়ার ৱার হেদশিং পুবসু ঙম্মী।

**ইস্লামবাদঃ** ইস্লামবাদকী মজিদ অমদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা থৌদোক অদুবু ভারতনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

ৱারোল অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-লৈবাক অদুগী মনুংদা হৌজরকখিবা অরানবা তৌবশিং অদুনা লৈবাকদুমক্কী মীয়ামদা ওনশিল্লকপা হায়বসি য়ামা লাইবক থিবা থৌওং অমনি। মন্ত্রালয়না হায়-থৌদোক অদুগী মতাংদা যুম্ফম য়াওদনা মরাল শিরকপগী থৌওং অমত্তা ভারতনা য়াবা ঙমলোই।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অনৌবা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম পাঙথোকখিবা, লৈঙাক শেম্বদা কুকি এম.এল.এশিং য়াওবগী মায়োক্তা চুরাচান্দপুরদা নৌনা হৌরকখিবা ইরাং অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা রাজ্য অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ফেক্তরি থমবা সভাদা তকশিনবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

কুকি জো এম.এল.এ. অহুমগী রিফ্যুজি মৈ থাখ্রে। চুরাচান্দপুর, সাইকুল অমসুং মোরেদা সটদাউন্দ থল্লি হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী ইংলিস এদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। জোমী গ্রুপনা কে.এস.ওগী সটদাউন্দ শৌগৎখ্রে হায়বা পাউ অসিসু বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

পাউ চে অসিগী মনিপুরি এদিসনদনা-চুরাচান্দপুরগী ইরাং সেক্যুরিতিনা লাকশিল্লে হায়না মিনিস্তর-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোরকপা ৱাফম অসিগা লোয়ননা কে.এস.ওগী চুরাচান্দপুর সটদাউন্দ জোমীশিংনা শৌগৎখিদ্রে। সাইকুল অমসুং মোরেদা রেল্লি চৎখি হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরদা সটদাউন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। অহেনবা ফোর্সশিং দিপোই তৌখ্রে। ইরাংগী ফিভম লাকশিনবা ঙমলে মিনিস্তর-গোবিন্দাসনা ফোংদোরকপা ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকল অমসুং পোকফম পাউচে অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক্কী অনিশুবা কেবিনেট মীফম ফমখ্রে। আই.দি.পিশিং তাঙ্কক নাইনা মশা মশাগী য়ুমদা হনজিলহন্নবা খঙহনখ্রে হায়বসিনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিস্তর-ৱাই. খেমচান্দনা পরিক্ষা পে চরচা-২০২৬ কী ৯ শুবা এদিসনদা শরুক য়াখ্রে হায়না মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-নৌনা ইরাং অমক থোরক্লিবসি মনিপুরবু চরাংনবা

ফিভমদা থম্বা পাম্বা মীওইশিংননি হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লৈঙাকা চল্লাইবা ইলেক্ট্রোনিক ফেক্তরিশিং মনিপুরদা থম্বীনবা এম.পি. সনাজাউবনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে-হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা থা অসিগী ১৫ দা উখ্রুলদা নাগাশিংগী মহৈ-মরোং মরু হুনবগী কুম্মৈদা শরুক য়াগদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংগী পাউচে-গানফিয়ু মেলদনা আই.দি.পিশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহনবা হায়বসিনা অনৌবা সরকার অসিগী অহানবা মরুওইবা পায়খৎকদবা থৌরাংনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-ৱাই. খেমচান্দনা ফোংদোকপা ৱাফমনা অহানবা পাউ ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কুকি জো এম.এল.এশিংনা সরকার শেম্বদা য়াওবগী মায়োক্তা কুকি জো এরিয়াশিংদা সটদাউন্দ চথরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।